# নেসনল গেমস : ষ্টেটকী বোক্সর সামিম ভানু ক্বার্টর চঙখ্রে, মণিপুর নুপাগী ফুটবোলদগী লৈহৌরে



ইম্ফাল, ওক্টোবর ৬(ঐচএনএস): গুজরাটনা যূম্বু ওইদুনা চথৰিবা ৩৬ শুবা নেসনল গেমসকী ঙসি নিপাননি শুবা নুমিৎতা মণিপুরনা বোক্সিং মশান্নগী নুপীগী কাঙলূপ্তা শান্নরোয় অমা ক্বার্টর ফাইনেল চঙবা ঙমখ্রে অদুগা নুপাগী ফুটবোল টিম গ্রুপ ষ্টেজতা মায়থীহৌদুনা লৈহৌরে।

মণিপুরনা হৌজিক ফাওবদা হান্না ফংখিবা মেদল মশীংদগী হেনগৎপা ঙমদনা গোল্ড ১৩, সিলভর ৫ অমদি ব্রোঞ্জ ১১ পূন্না মেদল ২৯ ফংদুনা মেদল টেল্লিগী ৬শুবা মফমদগী অনী হাইথরক্লগা ৮শুবা মফমদা লৈরি।

সর্ভিসেসনা গোল্ড ৪০, সিলভর ২৫ অমদি ব্রোঞ্জ ২৪ পূন্না মেদল ৮৯ ফংদুনা মেদল টেল্লিগী অহানবা অদুগা হরয়ানানা গোল্ড ২৫, সিলভর ২২ অমদি ব্রোঞ্জ ১৯ পূন্না মেদল ৬৬ ফংদুনা অনীশুবা অমদি মহারাষ্ট্রনা গোল্ড ২৪, সিলভর ২২, ব্রোঞ্জ ৪২ পূন্না মেদল ৮৮ ফংলগা অহুমশুবা মফমদা লৈরি।

মহাত্মা মন্দির কনভেন্সন হোলগী বোক্সিং এরেনাদা ঙসি শান্নখিবা নুপীগী কেজি ৫৭ কাঙলূপকী প্রি ক্বার্টর ফাইনেল বাউট অমদা ষ্টেটকী বোক্সর সামিম ভানু খুল্লাকপমনা দেল্লীগী জোতিবু য়ুনানিমস দিসিজন ৫-০দা মায়থীবা পীদুনা ক্বার্টর ফাইনেল চঙবা ঙমখ্রে।

অমরোমদা, অহমেদবাদকী ট্রানষ্টেদিয়া ফুটবোল গ্রাউন্দদা ঙসি শান্নখিবা নুপাগী ফুটবোলগী গ্রুপ এগী মেটচঅমদা মণিপুরনা কেরলাগী মখূৎতা ২-৩দা মায়থীদুনা টুর্নামেন্ট অসিদগী মপান থোকখ্রে।

পনবা য়াবদি, মণিপুরনা সর্ভিসেসকা থা অসিগী ২দা শান্নখিবা গ্রুপকী মেটচতা ১-১দা দ্রো ওইখিবনি। অদুগা থা অসিগী ৪দা ওরিষ্যাগা শান্নখিবা মেটচতা মণিপুর ০-৩দা মায়থীহৌখিবনি।

**National Games 2022 medal tally**

| Rank | State/Union Territory/Team | Gold | Silver | Bronze | Total |
|---|---|---|---|---|---|
| 1 | Services | 40 | 25 | 24 | 89 |
| 2 | Haryana | 25 | 22 | 19 | 66 |
| 3 | Maharashtra | 24 | 22 | 42 | 88 |
| 4 | Tamil Nadu | 18 | 17 | 18 | 53 |
| 5 | Uttar Pradesh | 18 | 13 | 12 | 43 |
| 6 | Punjab | 14 | 21 | 18 | 53 |
| 7 | Karnataka | 14 | 14 | 24 | 52 |
| 8 | Manipur | 13 | 5 | 11 | 29 |
| 9 | Kerala | 11 | 15 | 6 | 32 |
| 10 | West Bengal | 11 | 11 | 16 | 38 |

## মণিপুর ষ্টেট লীগ : সৈগৌমাং গুইটেগী গোলগী মতেংনা গাংঙম সোক্কর ক্লবনা ট্রাও মায়থীবা পীখ্রে

MSL - 2022

ইম্ফাল, ওক্টোবর ৬(ঐচএনএস): কেপ্টেন সৈগৌমাং গুইটেনা চনখিবা গোল ২গী মতেংনা গাংঙম সোক্করক্লবনা টিদ্দিম রোদ এথলেটিক য়ুনিয়ন (ট্রাও) ক্বাকৈথেলবু ২-১দা চথৰিবা ১৫শুবা মণিপুর ষ্টেট লীগকী ঙসি আর্টিফিসল টর্ফ গ্রাউন্দদা শান্নখিবা গ্রুপ বিগী মেটচ অমদা মায়থীবা পীখ্রে।

সৈগৌমাংগী অহানবা গোল অদুনা শান্নবা হৌরকপগী ১৩ শুবা মিনটতা চনবা ঙমখি। মহাক্কী ২শুবা মায় পাকপগী গোল অদুনা অনীশুবা হাফকী শান্নবগী ৪৯ শুবা মিনটতা চনবা ঙমখি। ট্রাওগী অমত্তা ঙাইরবা গোল অদুনা বিশাল রোগিদাসনা শান্নবগী ৪৪ শুবা মিনটতা চনখিবনি।

মেটচ অসিদা রেফরি প্রিয়োব্রতা লাংপোক্লাকপমনা মায় পাকখিবা গাংঙম ক্লবকী নোমিলেন হাওকিপ অমদি কাইলেনথাং ভাইফৈ অদুগা ট্রাওগী মৈতানকৈশংবম ক্লিন্টন অমদি সলাম বিকাশপু য়েলো কার্দ অমমম্বুক তৌখি।

অতোপ্পা ঙসি শান্নখিবা গ্রুপ এগী মেটচ অমদা মণিপুর পুলিস স্পোর্টস ক্লবনা য়ং ফিজিক য়ুনিয়ন ললাম্বুং মখোঙবু ৩-১দা মায়থীবা পীখ্রে।

পুলিস টিমগী মায় পাকপগী গোলশিং অদু নিংঙোম্বম অর্জুন, কোইজম উমাকান্ত অমদি ৱাই পি ঐচ য়ুগী পাঙম্বম কেন মৈতৈনা আউন গোল অমা শান্নবগী ৩৭, ৬৯ অমদি মেটচ লোইরমদাই ইঞ্জুরি টাইমদা চনবা ঙমখি।

ললাম্বুং টিমগী অমত্তা ঙাইরবা গোল অদুনা ৱাংখৈময়ুম সদানন্দনা শান্নবগী ২৫ শুবা মিনটতা চনবা ঙমখিবনি।

## ব্রোঞ্জ মেদলিষ্ট রুবেন পূক্নিং থৌগৎখ্রে

ইম্ফাল, ওক্টোবর ৬(ঐচএনএস): গুজরাটনা যূম্বু ওইদুনা চথৰিবা ৩৬শুবা নেসনল গেমসকী জিম্নাষ্টিক্স মশান্নদা ব্রোঞ্জ মেদল লৌরকখিবা ৱাইতোন মমাং লৈকাইদগী সনসম রুবেনবু ঙসি য়ুঠ দিভলপমেন্ট কাউন্সিল ৱাইতোন অমদি ৱিমেন্স অপলিফমেন্ট এসোসিএসননা শীন্দুনা ৱাইতোন মমাং লৈকাইদা ওকপগী থৌরম অমা পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অদুদা ৱাইতোন গ্রাম পঞ্চায়টকী প্রধান পুখ্রম্বম সুরবালা য়াওনা উপ-প্রধান অমদি ৱার্দ মেম্বরশিং শরুক য়াদুনা অচম্বা খূদোল পীদুনা পূক্নিং থৌগৎখি।

## অম্ফানা খঙহল্লক্লি

ইম্ফাল, ওক্টোবর ৬(ঐচএনএস): ষ্টেট অসিগী মফম খরদা নোর্থ ইষ্ট প্রাইদ ফুটবোল কপ হায়না মিংথোনবা অনওথোরাইজ টুর্নামেন্ট অমা থা অসিগী ৭তগী হৌদুনা পাঙথোক্কনি তৌরিবা অসি ওর্গনাইজরশিংনা ওল মণিপুর ফুটবোল এসোসিএসনদগী চপ চানা অয়াবা লৌবীয়ু হায়না অম্ফাগী এসিষ্টেন্ট জেনরেল সেক্রেটরি এল নবানা চেকশিন ৱা থল্লক্লি।

চেরোল অদুনা মখা তারদুনা অনওথোরাইজ টুর্নামেন্ট অসিদা ক্লব অমত্তনা শরুক য়াদনবা খঙহল্লকপগা লোয়ননা করিগুম্বা শরুক য়ারম্বা ক্লবশিংদা অম্ফানা মতিক চাবা এক্সন লৌখৎকনি হায়রি।

### নেসনল সব-জুনিয়র সেপাক টাক্রো

## মণিপুরনা বিহার থোইদুনা ফাইনেল চঙখ্রে



ইম্ফাল, ওক্টোবর ৬(ঐচএনএস): কর্নাটাকানা যূম্বু ওইদুনা চথৰিবা ২৫শুবা সব-জুনিয়র নেসনল সেপাক টাক্রো চেম্পিয়নশিপকী ঙসি শান্নখিবা নুপাগী রেগু ইভেন্টকী সেমীফাইনেলদা মণিপুরনা বিহারবু সেট ২-০দা মায়থীবা পীদুনা ফাইনেল চঙবা ঙমখ্রে।

ষ্টেটকী নুপামচাশিংনা অহানবা সেটকী শান্নবদা বিহারবু পোইন্ট ২১-১৭ অদুগা অনীশুবা সেটতা পোইন্ট ২১-১৮দা মায়থীবা পীদুনা ফাইনেল চঙবা ঙমখিবনি।

অমরোমদা, নুপীগী রেগু ইভেন্টকী ঙসি শান্নখিবা সেমীফাইনেলদা মণিপুরনা কেরলাগী মখূৎতা ০-২ (৮-২১, ৮-২১)দা মায়থীহৌদুনা টুর্নামেন্ট অসিদগী মপান থোকখ্রে। নীংশিংবা য়াবদি, ষ্টেট নুপী টিমনা টিম ইভেন্টতা গোল্ড মেদল লৌবা ঙমখিবনি।

## অৱাবা ফোঙদোরক্লি

ইম্ফাল, ওক্টোবর ৬(ঐচএনএস): ষ্টেট অসিদা অহানবা এন আই এস জিম্নাষ্টিক্স কোচ ওইরম্বা অরোস্কার শঙ্করনা মহাক্কী গোৱাদা লৈবা ময়ূমদা সেপ্টেম্বর ৩০দা লৈখিদববু ওল মণিপুর জিম্নাষ্টিক্স এসোসিএসন (এ এম জি এ)গী মায়কৈদগী অৱাবা অমদি নুংঙাইতবা ফোঙদোরক্লি।

এ এম জি এগী প্রসিদেন্ট এল তিকেননা ফোঙদোরকপদা, মহাক য়াম্না টেলেন্ট অমদি ইনোভেটিভ ওইবা জিম্নাষ্টিক্স কোচ অমনি। মহাক্না ষ্টেট অসিদা সিষ্টেমেটিক অমদি সাইন্টিফিক জিম্নাষ্টিক্স ট্রেনিং হৌদোক্লমখি।

মহাক্না ১৯৭০গী মতমদা ষ্টেট অসিগী জিম্নাষ্টশিংদা মতিক চাবা জিম্নাষ্টিক্সকী ইক্বিপমেন্ট য়াওদনা তাকপী-তম্বীদুনা নেসনল অমদি ইন্টরনেসনল এরেনাদা মণিপুরগীদমক মেদল কয়া লৌরকপা ঙমখি।

### বালানন্দ সেকেন্দ দিভিজন লীগ

## এঞ্জেল ক্লব অমদি এল ৱাই ভি ও মায় পাকখ্রে



ইম্ফাল, ওক্টোবর ৬(ঐচএনএস): দিষ্ট্রিক্ট স্পোর্টস এসোসিএসন বিষ্ণুপুরনা শীন্দুনা বিষ্ণুপুরগী মিনি ষ্টেদিয়মদা চথৰিবা ১৬শুবা এন বালানন্দ মেমোরিএল সেকেন্দ দিভিজন ফুটবোল লীগকী ঙসি শান্নখিবা মেটচ অমদা এঞ্জেল ক্লব থিনুঙ্গৈনা ৱাই দব্লিয়ু এ নিংথৌখোংবু ৩-০দা মায়থীবা পীখ্রে।

ঐচ বিনোদনা শান্নবগী ১৭ শুবা মিনটতা এঞ্জেল ক্লবকী অহানবা গোল চনবা ঙমখি। লৈশাংথেম য়াইফবনা শান্নবগী ২১ শুবা মিনটতা অনীশুবা অদুগা এমলমশিনবা লুৱাংনা শান্নবগী ২৩ শুবা মিনটতা মায় পাকপগী ৩শুবা গোল চনবা ঙমখিবনি।

অতোপ্পা ঙসি শান্নখিবা মেটচ অমদা এল ৱাই ভি ও লম্লাং হুপিনা টি ৱাই দি এ ফুটবোল এসোসিএসন তৌবুলবু ২-১দা মায়থীবা পীখ্রে।

তৌবুলগী কে এস ঐচ ফ্রেঙ্কিনা শান্নবগী ১৯ শুবা মিনটতা মেটচকী অহানবা গোল চনবা ঙমখি। রুংকুং জোননা শান্নবগী ৩২ শুবা মিনটতা ইক্বেলাইজ গোল চনশিন্দুনা ১-১দা অহানবা হাফ লোইবা ফাওবদা দ্রো ওইখি। অনীশুবা হাফকী শান্নবদা হাওজালেন তেলেননা শান্নবগী ৫৫ শুবা মিনটতা এল ৱাই ভি ওগী মায় পাকপগী ২শুবা গোল চনবা ঙমখি।

মেটচ অসিদা দব্লিয়ু জোন্সননা রেফরি, ও সনাতোম্বী অমদি দব্লিয়ু উশারানীনা এসিষ্টেন্ট রেফরি, ৱাই লুংসুনা ফোর্থ ওফিসল অমদি আই জয়কুমারনা মেটচ কম্মিস্নর ওইনা শরুক য়াখি।

### ফিফা ৱর্ল্ড কপ কটার ২০২২

# পোলেন্দনা ১৯৮৬কী মতুং অহানবা ওইনা নোক আউট ষ্টেজ য়ৌবা ঙমগনি থাজবা থম্লি

FIFA WORLD CUP Qatar2022

### নুমিৎ ৪৪নি খক্তা ঙাইরে মীয়ামগী অনীংবা অপাম্বা ফংগদবা

ফিফা ৱর্ল্ড কপকী ক্বালিফায়িং কেম্পেনদা পূন্না গেম ১০ শান্নখিবদা পোইন্ট ২০ ফংদুনা ইংলেন্দগী হেকমথং অনীশুবদা লৈদুনা ফাইনেল রাউন্দ চঙলকখিবা পোলেন্দনা কোচ চেস্বা মিকনিৱিজকী লমজিং মখাদা কটার মেগা স্পোর্টস ইভেন্ট অসিদা ১৯৮৬কী মতুং অহানবা ওইনা নোক আউট ষ্টেজ য়ৌবা ঙম্নবা থাজবা থম্বগা লোয়ননা হোৎনগদৌরি।

চহী অসিগী জন্যুৱারী ৩১দা পোলেন্দ নেসনল টিমগী হেদ কোচ ওইনবা খূৎয়েক পীনখিবা মিকনিৱিজকী লমজিং মখাদা অহানবা ওইনা থারগা ৮লক শুবা ওইরি। অদুবু ১৯৮৬কী মতুংদা নোক আউট ষ্টেজ চঙবা ঙমদনা গ্রুপ ষ্টেজতা লৈহৌখিবা ঙাক্তা ওইরি।

মিকনিৱিজনা কটার ২০২২ অসিদা মহাক্কী টিমদা শরুক য়ারিবা নহা ওইরবা টেলেন্ট লৈবা শান্নরোয়শিং অমদি এক্সপরিয়েন্স লৈরবা শান্নরোয়শিং নীংথিনা সেট তৌদুনা দিফেন্স অমদি এটেক অনীগী মরক্তা বেলেন্স মান্ননা শান্নহন্নবা হোৎনগদৌরি।

ফিফাগী বেষ্ট মেন্স প্লেয়র টাইটল অনীরক ফংবা ঙমখ্রবা অমদি পোলেন্দগী ফুটবোল্লর ওফ দি য়রগী টাইটল মশীং খঙদনা ফংখ্রবা মমিং লৈরবা শান্নরোয় রোবর্ট লিৱান্দোস্কিনা হন্দক্কী মেগা স্পোর্টস ইভেন্ট অসিদা মহাক্কী অহানবা ৱর্ল্ড কপকী গোল চনবা ঙম্নবা মীৎয়েং থল্লক্লি। মহাক্না ক্লবকী নৎতনা লৈবাক্কী হৌজিক ফাওবদা ইন্টরনেসনল মেটচ ১৩২ শরুক য়াখিবদা রেকোর্দ ওইনা পূন্না গোল ৭৬ চনবা ঙমখিবনি।



পোলেন্দগী হেদ কোচ চেস্বা মিকনিৱিজ

অর্সনেল অমদি জুভেন্টসতা মহাক্কী করিয়রগী শাংলবা মতম লৈরক্নুনা ইংলিশ অমদি ইটালিয়ন কপ ৱিন্নর কয়া ওইবা ঙমখ্রবা এক্সপরিয়েন্স লৈরবা গোলকিপর ৱোইজিক ষ্টেন্সনেদা পোলিশ ফেনশিংনা থাজবা থম্বগা লোয়ননা মহাক্কী হৈথোই-শিংথোইবশিং কটার ৱর্ল্ড কপ অসিদা উৎনবা হোৎনগদৌরি।

সাউথহেম্টনগী সেন্ট্রেল দিফেন্স ওইনা মেটচ ১৫০ শরুক য়াখ্রবা হৌজিক্লা লোনদা এষ্টন ভিল্লাদা লৈরিবা জেন বেদনারেকনা মহাক্কী য়াঙনা হে-শিংনা বোল কেরি তৌবা ঙম্বগী স্কিলশিং শীজিন্নদুনা পোলিশ দিফেন্সকী অচৌবা থৌদাং লৌদুনা শান্নগদৌরি।

লীগ-১ শান্নরিঙৈ মতমদা মীয়াম্না 'দি লম্বরজেক' হায়রগসু খঙনবা অমদি হৌজিক ফাওবদা লৈবাক্কী ওইনা ইন্টরনেসনল মেটচ ৯১ শান্নখ্রবা জেগ্রোস কৃহোৱিঅক অমদি লৈবাক্কী যূম্বী ওইরিবা পোর্টুজুলিনস্কিনা মখোয়গী তোপ-তোপ্পা প্লেয়িং ষ্টাইল শীজিন্নদুনা পোলেন্দ টিমবু মায় পাক্লা কেম্পেন পাঙথোক্লবা হোৎনগদৌরি।

স্কোটলেন্দগা মার্চ ২৪দা শান্নখিবা মেটচতা ১-১দা দ্রো ওইখি। মদুগী মতুং মার্চ ২৯দা ৱর্ল্ড কপ ক্বালিফিকেসনগী ফাইনেলদা পোলেন্দনা স্বিদেনবু ২-০দা মায়থীবা পীরমখিবনি।

পোলেন্দনা ফিফা ৱর্ল্ড কপকী পুৱারীদা ফাইনেল রাউন্দ চঙবা ঙম্বা অসি হন্দক্কী অসিগা

### কটার মেগা স্পোর্টস ইভেন্টতা মরুওইবা থৌদাং লৌগদৌরিবা পোলেন্দগী শান্নরোয় মঙা



ৱোইজিক ষ্টেন্সনে (গোলকিপর)

জেন বেদনারেক (সেন্টর বেক)

জেগ্রোস কৃহোৱিঅক (দিফেন্সিভ মিদফিল্ডর)

পোর্টু জুলিনস্কি (এটেক্কিং মিদফিল্ডর)

রোবর্ট লিৱান্দোস্কি (ষ্ট্রাইকর)



দোহাগী রাজ অবু অবোদতা লৈবা মীওই ৪০,০০০গী কেপাসিটি ওইবা 'ষ্টেদিয়ম ৯৭৪'

| Date | Match Details (Grp-C) | Venue |
|---|---|---|
| November 22 | Poland vs Mexico | Stadium 974 |
| November 26 | Poland vs Saudi Arabia | Education City Stadium |
| November 30 | Poland vs Argentina | Stadium 974 |

### সনফিষ্ট কপ য়ু-১৩

## এ এফ সীনা ৱাই এস সী থোইখ্রে

ইম্ফাল, ওক্টোবর ৬(ঐচএনএস): এস পি টি স্পোর্টসনা শীন্দুনা চথৰিবা সনফিষ্ট কপ ২০২২ মণিপুর অন্দর-১৩গী ঙসি শান্নখিবা মেটচ অমদা এ এফ সী পুখাওনা ৱাই এস সী লৌশাংখোংবু ৪-১দা মায়থীবা পীখ্রে।

উত্তম, পোপো অমদি থৌবনা এ এফ সীগী মায় পাকপগী গোলশিং চনবা ঙমখি অদুগা থোটরিনচননা ৱাই এস সীগী অমত্তা ঙাইরবা গোল চনখিবনি।

অতোপ্পা মেটচ অমদা আর এফ এ তোপ সিফাইনা এফ সী হোলি কিংদম তরুংবু লাকচনা ৬-০দা মায়থীবা পীখ্রে।

তোপ সিফাইগী মায় পাকপগী গোলশিং অদু লনচেনবনা ৩, মুসারফনা ২ অমদি অচৌবনা ১ চনখি।

অতোপ্পা মেটচশিংদা এফ ৪ সী সাইকুল, লিসা তোপ সিফাই, পি এফ এ খুরাই, লায়ন এফ সী, এস এন জি সী সাইকুল, হিয়াই এফ এ, মৈরা এফ সী খুরাই অমদি দব্লিয়ু য়ু এফ সী ৱাংজিং মায় পাকখ্রে।

## যোগগী ট্রায়ল পাঙথোক্লগনি

ইম্ফাল, ওক্টোবর ৬(ঐচএনএস): ইন্দিয়ন যোগ ফেদরেসননা শীন্দুনা পুদুচেরিদা দিসেম্বর ২৬তগী ২৮ ফাওবা পাঙথোক্কদৌরিবা ৪১শুবা নেসনল যোগসনা চেম্পিয়নশিপতা মণিপুর রিপ্রজেন্ট তৌনবগী ট্রায়ল সেলেক্সন অমা মণিপুর ষ্টেট যোগসনা এসোসিএসননা শীন্দুনা থা অসিগী ২৩দা কৈশাম্পাৎতা লৈবা দিরেক্টোরেট ওফ ইনফোর্মেসন এন্দ পব্লিক রিলেসন্সকী কনফরেন্স হোলদা পাঙথোক্লগনি হায়রি।

## ট্রায়ল পাঙথোক্লগনি

ইম্ফাল, ওক্টোবর ৬(ঐচএনএস): ন্যু দেল্লীদা নভেম্বর ১২ অমদি ১৩দা পাঙথোক্কদৌরিবা ৫শুবা নেসনল সেভেট চেম্পিয়নশিপতা শরুক য়ানবা মণিপুর টিম শেম্নবগী ট্রায়ল সেলেক্সন অমা থা অসিগী ৯গী অয়ুক পুং ৯দা ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী খুরাই পুথিবা লৈকাইদা লৈবা পুথিবা কম্যুনিটি হোলদা পাঙথোক্লগনি হায়না সেভেট এসোসিএসন ওফ মণিপুরগী জেনরেল সেক্রেটরি ডা. এন রামচন্দ্রনা খঙহল্লক্লি।

### এ দি সী চান্দেল ট্রোফি ফর্ষ্ট এন্দ সেকেন্দ দিভিজন লীগ

## অনাল খুনৌ, মোদি ক্লব দ্রো ওইখ্রে



ইম্ফাল, ওক্টোবর ৬(ঐচএনএস): দি এস এ চান্দেলনা শীন্দুনা চথৰিবা এ দি সী চান্দেল ট্রোফি ফর্ষ্ট দিভিজন লীগকী ঙসি লিৱা সরৈ গ্রাউন্দদা শান্নখিবা গ্রুপ এগী মেটচ অমদা অনাল খুনৌ য়ুঠ ক্লব অমদি মোদি কলচরেল স্পোর্টিং ক্লব ১-১দা দ্রো ওইখ্রে।

অনাল খুনৌগী গোল অদুনা বেরাসনা চনখি। অদুগা মোদি ক্লবকী গোল অদুনা রিচার্দনা চনখিবনি।

চপ মান্নবা গ্রুপকী ঙসি শান্নখিবা মেটচ অমদা কানখু এথলেটিক ফুটবোল ক্লবনা চুম্বাং য়ুঠ ক্লবপু ৬-২দা মায়থীবা পীখ্রে।

কানখু এথলেটিককী মায় পাকপগী গোলশিং অদু থুমথাংনা ৩, মিসননা ২ অমদি সেলথারিংনা ১ চনখি। চুম্বাংগী গোল ২ অদুনা দাইমস অমদি অহোংনা চনখিবনি।

অমরোমদা, জাইওন্টলাং গ্রাউন্দদা ঙসি শান্নখিবা সেকেন্দ দিভিজন লীগকী গ্রুপ এগী মেটচ অমদা উনিসানা পরাওলোন য়ুঠ ক্লবপু ৩-১দা মায়থীবা পীখ্রে।


রাজেশ, অংখম অমদি ৱাংপেমনা উনিসাগী মায় পাকপগী গোলশিং চনবা ঙমখি। পরাওলোনগী অমত্তা ঙাইরবা গোল অদুনা সনখিল সেলষ্টননা চনখি।

অতোপ্পা ঙসি শান্নখিবা গ্রুপ বিগী মেটচ অমদা পেনাচিং য়ুঠ ক্লবনা লমফৌপাম্না য়ুঠ ক্লবপু টাই ব্রেকতা ৬-৫দা মায়থীবা পীখ্রে। টিম অনীনা নোর্মেল টাইমগী শান্নবদা ২-২দা দ্রো ওইখিবনি।



HL-B/7804/19/8-16/9(alt)

## HUEIYEN LANPAO DAILY CHESS PUZZLE



**PUZZLE NO. 594**

**Vittoni - Angelo Cillo**

**corr, 1972**

| | | |
|---|---|---|
| 1.e4 c5 | 2.Nf3 d6 | 3.d4 cxd4 |
| 4.Nxd4 Nf6 | 5.Nc3 a6 | 6.Bg5 e6 |
| 7.f4 Qb6 | 8.Qd2 Qxb2 | 9.Rb1 Qa3 |
| 10.e5 dxe5 | 11.fxe5 Nfd7 | 12.Bc4 Qa5 |
| 13.O-O Bc5 | 14.Kh1 Nxe5 | 15.Bb5+ Bd7 |
| 16.Bxd7+ Nbxd7 | 17. ... | |

**QUESTION :**

**White to win**

**Puzzle 593 Ans. :**

37. Rg7+ The white rook attacks Black's king, which is defending the square f5. Kh5 38. Rf5+ Rg5 39. Kh3 Mating net Rxf5 40. g4# David and Goliath mate

1-0

Printed, published and owned by Soubam Niladhaja Singh, published from Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur & printed at M/s. Kangleipak Printers, Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur
Editor : Maibam Dhanabir Meetei, Resident Editor: Dr. Khaidem Athouba; Telephone Nos. 0385-2440771/2445104/2445106, e-mail:hueiyen_lanpao@yahoo.co.in, hueiyen_lanpao@rediffmail.com